HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাও



হৈরোক পার্ট টু পোলোগ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা মোইরাংথেম ইবোতোম্বী লৈখিদবগী ২৭শুবা নীংশিং থৌরমদা কোংগ্রেস লুচিংবা ও ইবোবীনা লৈখিদ্রবগী মফমদা লৈ কৎখিবা

কে কে এলনা কন্দেম তৌরক্লি
☛ লামায় ২

জেসামি অমসুং মেলোরি খুল অনীগী মরক্তা লৈরম্বা বাউন্দরি দিসপ্যুট ...
☛ লামায় ৩

লাইফমলেন থুগায়রগা ক্বাটর শাবা লেপ্পু : ইবোমচা
☛ লামায় ৫

হীরম অমত্তদা কম্প্রোমাইজ তৌবা য়ারোই : ওর্গনাইজেসন
☛ লামায় ৬

লাঙ্গোলদা লাংওন ইমাগী লাইফমলেন থুগায়রগা পি দি এনা ক্বাটর শানবা হোৎনরক্লিবসি খুদক্তা লেপকদবনি হায়না মাইচৌ নীংশিং লুপ খুরাইগী এদভাইজর সিনাম ইবোমচা খুমননা ফোঙদোকখিবা



Vol. 45, Issue No. 253 | য়ুমশকৈশা, পোইনুগী ৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, December 08, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা ২১.০৪°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১০.৯৫°C
মণিপুরগী নোংজ্রুগী চাং : ১৫.০১
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৪৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৬

**HL Poll**

Q: National sports universitybu amuk hanna maming onthoknaba hotnarakpada leibak wathok oirakkani khanbra?

**POLL CLOSES AT MIDNIGHT**

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q: 2022gi election matungda manipurda party amakhaktagi oiba leingak soidana lakkani haibasida thajaba yabra?

Yes 07% No 93%

**অস! লোইরেহে!**

– করি লৈরে মীয়াম্না ঐগীদা লাক্পীববো?



– ইবুংঙো সারনা য়ূমথোঙ খুদিং ঈশিং ফংহল্লে হায়বদু শ্বাইদরানা লাকপনি।

# মীয়াম্বু কিহন খংহল্লগা নমদুনা লৈঙাক্কনি হায়বসিদি পাঙদবগী শাজৎনি : ইবোবী

## হৈরোক ইবোতোম্বীগী ২৭শুবা নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস) : মতম অমদা নিংথৌ পাল্লিঙৈদা নিংথৌনা লৈবাক ঙাক্লম্মী অদুবু হৌজিক্তি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা ঐখোয়গী মীহুৎ খন্দুনা ইশানা লৈবাক ঙাকচবনি হায়রদুনা ঐখোয়না থাগৎখিবা মীহুৎ অদুনা মীয়ামদা কিহন-খংহনবা তৌদুনা নমদুনা লৈঙাক্কনি হায়রগদি মদু খ্বাইদগী পাঙদবা মীনা চৎকদবা শাজৎনি অমসুং মীয়াম্বু ফুরগা অমসুং ময়ূম মকৈ থুগাইরগা ভোট কাগনি হায়রগদি মদু ওইথোক্লরোইদবা থবক অমনি।

ৱাফম অসি ঙসি ময়াম্না 'হৈরোক ইবোতোম্বী' হায়রগসু হেন্না খঙনবা লৈখিদ্রবা মোইরাংথেম ইবোতোম্বীগী মিংদা লৈরিবা মোইরাংথেম ইবোতোম্বী মেমোরিএল চেরিটেবল ত্রষ্ট (এম আই এম সী টি) না শীন্দুনা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী হৈরোক পার্ট টু পোলোগ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা ২৭শুবা নীংশিং থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখিবনি।

'হিংসি অমসুং হিংহনসি (লিভ এন্দ লেট লিভ) হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখিবা ঙসিগী নীংশিং থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়, য়ৈখাই থিনগাইবা, অকি-অখং পীবগী থবক থৌরমশিং অসি হৈরোক্তনা খরা হেন্না থোকপগুম তৌরে। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তা য়ৈখাই থিনগাইবা, অকি-অখং তৌরগা মীয়ামগী ৱাখল্লোনবু হুমদুনা পুগনি হায়বসি পাঙদবগী থবকনি। মসিগুম্বা হিংশাগী থবক অসিদি কোংগ্রেসনা লৈঙাক্লিঙৈ মতমদসু অমুক্তা থোকখিদ্রি। কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা ঐগী মীগী খায়দুনা অখুবা মীৎয়েংদা থবক অমত্তা তৌরমদে অদুবু ঙসিগী লৈঙাক অসিদি মখোয়নবু হায়বা য়াদ্রবদি লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিং ফাওবা লৈফম খঙনদ্রে। মসিগুম্বা থবক অসিদি মীয়ামগী খনবা লৈঙাক অমনা তৌগনি হায়বসিদি থাজদে হায়খি।

য়াম্না পাঙদবা অখুবা মীৎয়েংদা থবক তৌবা লৈঙাকলোন অসিদি লাইবক থীবনি। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তা হিংশাগী মফম অমত্তা লৈতে। হৈরোক এ সী অসিদসু হিংশা তৌবশিংগী মফম অমত্তা লৈতে হায়বসি মীয়াম্না নীংশিংবীয়ু। মীয়াম্না হিংশা তৌবশিং পারা অমা তম্বীবা মতম য়ৌরে। মসি পুম্নমক খঙনগদবা কুইররোই। মরম অদুনা মীয়াম্না পারা তম্বীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। হৈরোক এ সী অসি হিংশা লৈতবা অমসুং তংদু লৈতানা লৈবা লমদম অমা ওইহল্লসি হায়নসু মহাক্না থৌরম অদুদা তিনখিবা য়াল্লবা মীয়ামদা আপীল তৌখি।

থৌরমগা মরী লৈননা মোইরাংথেম ইবোতোম্বী মেমোরিএল চেরিটেবল ত্রষ্টকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা হান্নগী মিনিষ্টর মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোনা ঐখোয়গী লুচিংবা লৈখিদ্রবা মোইরাংথেম ইবোতোম্বীনা পামজরম্বা অদুদাঐখোয়না ঙসি ফাওবা তুং ইন্দুনা চৎচরি। অদুবু হৈরোক এ সীগী মনুংদা হৈরোক অসি য়াম্না ৱারে। থোকহন্নীংদবা, তাহৈদবা থৌদোক ৱাথোক্লা পিক থল্লে। মতম অমদা লৈরম্বা হৈরোক্কী থৌনা লিংজেল অদু ঙসিদি বি জে পি লৈঙাক লাকপদগী মাঙখিবগুম তৌরে। মীগী য়ূম লুট তৌবা, য়ূম থুগাইবা, কিহন-খংহনবনচিংবা চত্থদুনা লৈরে। ভোট হায়বসিদি মীনুংশিদা খোমগদবনি। লৈঙাক পায়রে হায়না পংতৌ তৌবদি তৌহন্নীংদে হায়খি।

লোয়ননা হৈরোক এ সীদদি লান্না পাউ শন্দোক্তুনা লৈরে। হৈরোক মীয়ামগী ৱাকৎ কনামত্তনা তাবীদে। লৈঙাক অমা লৈরবদি হৈরোক ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## হৈরোকক্কী থৌনা লিংজেল বি জে পি লৈঙাক লাকপদগী মাঙখিবগুম তৌরে : ওকেন্দ্রো

## অখণ্ড অহৈশিংগী সজেসনশিংদা মীৎয়েং থমগনি : সম্বিট পাত্রা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস) : ষ্টেট অসিবু হেন্না চাওখৎপা পুরক্নবা হোৎনবদা অখণ্ড অহৈশিংগী ৱাখল্লোন কয়া বি জে পি মণিপুরগী মেনিফেষ্টোদা হাপ্লবদি শোয়দনমক মায় পাকপা হায়বদু ওইগনি। মরম অসিনা অখণ্ড অহৈশিংনা পীরকপা সজেসনশিংদা মীৎয়েং থমগনি হায়না বি জে পিগী নেসনল স্পোক্সপর্সন অমসুং মণিপুরগী ইন-চার্জ ডা. সম্বিট পাত্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা শীল্লগা হোটেল ইম্ফালদা লাক্লিবা এসেম্বলি মীখল ২০২২গা মরী লৈননা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মেনিফেষ্টোগীদমক পাঙথোকখিবা পব্লিক এসপিরেসন মীটিংদা ডা. সম্বিট পাত্রনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাং নোংপোক চাওখৎতনা লৈবাক অসি চাওখৎপা য়ারোই হায়দুনা অকনবা মীৎয়েং থম্লি। ঙসিদি অসিগুম্বা মীৎয়েং অসিনা অৱাং নোংপোক্তা অওনবা কয়া লাক্তুনা চাওখৎপা পুরক্লি। রোদ ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিটিন গদকারিনা ঙরাং ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী পাকথোকহন্নবা লুপা ক্রোর ৫০৪ সেঙ্কসন তৌখিবা অসি শিংথানীংঙাইনি। ষ্টেট অসিগী মফম চাবশিং সেন্টরনা মতম মতমগী ওইবা মীৎয়েং ...মখা লামায় ৩ কলম ২

HL-P/7272/10th Nov to 10 Dec.

## মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিদা হৈরাংলিঙৈদা য়ুরাংবা

# এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ৩২ লৌবগী রিজল্ট জন্যুৱারী ফাওবা হায়দোক্তনবা খঙহনখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : গভর্ণর লা গনেসননা মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি এক্ট, ২০১৬কী সেক্সন ১৪ (১) গী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না মমাঙ থাগী ৮ (নবেম্বর ৮, ২০২১) দা মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি (এম টি য়ু) গী ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা মীওই অমা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভি সী ওইবগী তঙাইফদনা চঙবা ক্রাইটেরিয়া শুদে অমসুং ইল্লিজিবল ওইদে হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা মহাক্কী এপোইন্টমেন্ট অদুবু চেলেঞ্জ তৌরক্লিঙৈগী চৈরক্তা হৈরাংলিঙৈদা য়ুরাংবদৌনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ৩২ লৌনবগী থবক অপীবা মতমগী মনুংদা লোইশিন্দে হায়রদুনা কন্টেমপ্ট প্রোসিদিং লৌখৎলক্লে হায়দুনা প্রপ-প্রপ লৌননবা থৌরাংলম্বা অদু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরশিং অসিগী রিক্রুটমেন্টকী প্রোসেস চত্থরগসু মসিগী রিজল্টদি মথং চহীগী জন্যুৱারী (কেস অসিগী মথংগী নুমিৎ) ফাওবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২




